# ৱার্ল্ড ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা সেমিফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে






*টহেরানদা চখারিবা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭তা সেমিফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রবা ইন্দিয়াগী হরিকা*

*টহেরান, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*

ইরানগী সহর টহেরানদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা গেমদা মায়পাক্তুনা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌনবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

পনবা য়াই চেম্পিন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা গ্রান্দমাষ্টর পদমিনি রাৱট প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থিহৌবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকানানা জিওর্জিয়াগী শান্নরোই নানা জাগনিদজেবু গেম অনী শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু মায়পাক্তুনা মাংজিল থাখিবদগী সেমিফাইনেল য়ৌবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লাকখিবনি।

অহানবা গেম অদুদা মায়পাকখ্রবী দ্রোনাভালিনা সেমিফাইনেল য়ৌননবগীদমক মথং শান্নগদবা গেমদা দ্রো অমা চৎলগা য়াগদৌরিবনি।

হরিকানা জিওর্জিয়াগী নানা জাগনিদজেগা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা নানাগী মায়কৈদগী ফ্রেন্স দিফেন্স শিজিন্নদুনা অকনবা লম্বা তৌনখি। মখাতারকপদা হরিকানা টরাস দিফেন্স শিন্নিখিবদা গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা খুদোংচাবা খর হেনবা ঙমখি।

গেম অদু মখাতানা শান্নরোই অনীনা য়াম্না কন্না শান্নরকপদা মুভ ৩৯ য়ৌরকপদা হরিকানা য়াম্না খুদোংচাবা ফিভম অমা শেম্বা ঙমখিবা অদু নানানা নিংথিনা পাবা ঙমহৌদবদগী হরিকানা ফজবা খর হেনখি।

জিওর্জিয়াগী নানা জাগনিদজেনা গেম অদু দ্রো চৎলম্বা য়াবা খুদোংচাবা খোংচৎ অমা নিংথিনা পাবা ঙমহৌদবদগী ইন্দিয়াগী হরিকানা মহাক্কী ক্বিন অদুগী পাঙ্গল শিজিন্নদুনা মখা তানা এটেক চখরকপদা নানাগী মতম লৈহৌদবদগী মুভ ৪৭শুরকপদা হরিকানা মায়পাকখিবনি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকানা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা জিওর্জিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সোপিকা গুরামিসভিলিবু মায়থিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

অদুবু প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পদমিনি রাৱটপু চাইনাগী শান্নরোই টান ঝোংগিনা মায়থিবা পীরম্বনি। ঙরাং শান্নখিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা লৈনখিবা ফাউলশিং অদুদি য়ুক্রেনগী অনা মুজিচুক্না বলগেরিয়াগী এন্তোনিতা স্টিফানোবাবু মায়থিবা পীখি।

চাইনগী নি সিকুন অমসুং রসিয়াগী অলেকজেন্দ্রা কোস্টেনিক্না শান্নবদা দ্রো চৎখি লোয়ননা চাইনাগী শান্নরোই অনী তান জোংগি অমসুং জু ৱেঞ্জুনগা শান্নখিবা গেম অদুসু দ্রো চৎখি।

# অর্সনেলনা সুট্টোন থোইদুনা এফ এ কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে




*ইংলেন্দগী এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা সুট্টোনগী মেটচ অমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ৱালকোট (ওই)*

*লন্দন, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*

ইংলেন্দদা চখরিবা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ১২ রক লৌবা ঙমখ্রবা অর্সনেল ফুটবোল টিম্না সুট্টোনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়পিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

অর্সনেল অমসুং সুট্টোন ফুটবোল ক্লব অনীগী মেটচ অদুদা শান্নবগী মেটচ অমদা শান্নবগী অহানবা হৌরকপদা মায়কৈ অনীমক্তা লম্বা মান্নদুনা লৈখি। শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মাইকৈদগী লুকাজ পেরেসনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা সুট্টোন্না মমাংদা এফ এ কপগী কম্পিটিসনদা ফজবা লকখিবা ফর্ফোমেন্সশিং অদু মরক থৎপা ঙমদুনা লৈখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা অর্সনেলগী পাঞ্জল অদুনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইদুনা মেটচ অদু এফ এ কপগী মেটচ অদু মখা চত্থখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা অর্সনেলগী মাইকৈদগী থিয়ো ৱালকোটসনা পাঞ্জল ১ হাপচিন্দুনা সুট্টোনবু পাঞ্জল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতুংদা অর্সনেল চনশিনখিবা পাঞ্জল অনী অদুগী মনুংদা পাঞ্জল অমফাওবা হন্দাকপা ঙমদনা সুট্টোনগী টিম মায়থিহৌখি।

নিংশিংবা য়াবদি অর্সনেলনা এফ এ কপগী লম্বা তৌগদৌরিবা টিম অদু লিনকন সিটি নি। পনবা য়াবদি লিনকন সিটি অসি কুমজা ১৯১৪ দা এফ এ কপ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরুরবা মতুং হন্দক অসিনা চহি ১০৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল টিম য়ৌরকপা টিম ওইরিবনি।

এফ এ কপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং অদু চৎলিবা চহি অসিগী ১১ দা শান্নগদৌরি।

মাংজৌননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা লম্বা তৌন্নগদৌরিবা টিমশিং অদুদিঃ চেলসি অমসুং মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, টোটেনহাম হোটস্পর্স অমসুং মিলৱাল অমদি ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা হদর্সফিল্ড তাউন অমদি মাঞ্চেষ্টর টিম অনীগী অথোইবগা মিদলসব্রোগা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ১ দা মায়থিবা পীদুনা আই সি সি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী চেম্পিয়ন ওইদুনা ৱার্ল্ড কপ শান্নরগনি

*কলম্বো, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*

শ্রিলঙ্কাগী কলম্বো সহরদা লৈবা পি সরা ওবেনদা ঙসি শান্নবা আই সি সি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র ২০১৭ গী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট অমদা মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকীদমক ক্বালিফায়র ওইখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা সাউথ অফ্রিকানা তোচ ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি।

মদুদা টিম অদুনা অপীবা ওভর ৫০ গী মনুংদা বোল অনী ৱাৎনা শান্নবা ঙমখিবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৪৪ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদুদা বেটচৱুমেন অমত্তা য়াম্না চাওবা স্কোর লৌবা ঙমখিদ্রবসু শান্নরোই ৭ না টিম অনীগী অপুন্বা স্কোর অদু য়ামহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী অহুমশুবা বেটচৱুমেন মিকনোন দি প্রিসনা বোল ৭২ দা রন ৪০ লৌবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপন্নর লিজেল্লি অমসুং লোরা ৱাল্ড ৱোলভার্টনা অহানবা ৱিকেট পর্টন্নরসিপক্কীদমক ওভর ১০ রন ৫১ হাপচিন্দুনা ইন্নিংস অদু ফজরবা মওংদা হৌরকখি।

লিজেল্লি বোল ৩১ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরম্লগা রন ৩৭ তা আউত ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা মিগনো দি প্রিসনা মখা তাবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ১৭ খক হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ লৌরা রন ২১ দা আউত ওইখি। মতম অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী অপুন্বা স্কোর অদু ৬৮ য়ৌখি। মিগনো দি প্রিস অমসুং মরিশুবা বেটচৱুমেন ত্রিসা সেটিনা সাউথ অফ্রিকাগী স্কোর অদু রন ১০০ য়ৌনবা য়াম্না কান্না হোৎনখি। অপুন্বা স্কোর অদু রন ৯৯ শরুকপদা ত্রিসা সেটি রন ২২ দা আউত ওইখিবদগী ৫ শুবা বেটচৱুমেন সোইলে তাইরোন শান্নবা চংলকখি।

মিগনো দি প্রেস অমসুং সোইলেন তাইরোন্না মরিশুবা পর্টন্নরগীদমক রন ৩৪ হাপচিনখি। তাইরোন রন ২৩ দা আউত ওইখিবদগী সাউথ অফ্রিকাগী স্কোর অদু রন ১৩৩ দা সাউথ অফ্রিকাগী মরিশুবা ৱিকেট তুখি।

মিগনো দি প্রেস অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেপ্টেন দনে ভান নিকর্কনা সাউথ অফ্রিকাগী স্কোর অদু ১৩৩ লৈরম্বদগী মখা তানা রন ৫৩ হাপচিল্লগা অপুন্বা রন ১৮৬ শরুকপদা নিকর্ক বোল ৪২ দা সিক্স ১গা ফোর ৪ য়ৈরম্লগা অপুন্বা স্কোর ৩৭ তা আউত ওইখি।

থাংনবা ওভর দা সাউথ অফ্রিকাগী খ্বাইদগী রন লৌবা ঙমখিবী মিগনো দি প্রেস বোল ৭২ মাইয়োক্নবদা রন ৪০ লৌরম্মলগা আউত ওইখিবদগী সাউথ অফ্রিকাগী অপুন্বা স্কোর অদু রন ১৪৬ তা টিম অদুগী ান্নরোই ৬ আউত ওইখি।

শান্নবগী মখা তাবা ইন্নিংস অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী ৮শুবা বেটচৱুমেন সুনে লুসনা য়াম্না থুবা মওংদা বোল ২৯ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা অপুন্বা রন ৩৫ দা আউত ওইরগা সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু রন ২৪৪ দা লোইশিনখি।

মায় পাক্নবা রন ২৪৫ লৌগবা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী মরুওইবা বেটচৱুমেন মরিনা স্কোর নিংথিনা তৌখিবদগী হৌরকপা য়াম্না ফজখি। অদুবু ইন্নিংস অদুগী ময়াই চলশিল্লকপদগী ফিভম শোকচিনবা হৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওপন্নর মোনা মেশ্রাম অমসুং থিরুস কামিনিনা অহানবা ক্রিকেট পর্টনরসিপ্তা রন ২০ খক লৌবা ঙমখি। ৮ শুবা কামিনি রন ১০ দা আউত ওইখি।

অদুবু অহুমশুবা বেটচৱুমেন দিপটি শর্ম্মা চঙলকপদগী ওপন্নর মেশ্রামগা লোয়ননা অনীশুবা ৱিকেট পর্টনরসিপকীদমক রন ১২৪ হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ৩৩ চংশিল্লকপদা রন ১৪৪ লৌদুনা লৈখি।

দিপটি শর্ম্মানা বোল ৮৯ দা রন ৭১ লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ফিভম খরা শোকচিল্লকপনি। মহাক্কী মতুং শান্নবা চঙলকখিবী বেদাকৃষ্ণ মুত্তিঃ অমদি ওপন্নর মোনা মেশ্রাম্না মখা তাবা পর্টনরসিপ শেম্নবা হোৎনরকপা রন ৪ খক হাপচিল্লগা মোনা মশাগী রন ৫৯ দা আউত ওইখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিটকোর অমসুং বেদানা মরিশুবা ৱিকেট পর্টনরসিপকীদমক রন ৩৮ হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ বেদা রন ৩১ দা আউত ওইখি।

মখা তাবা ইন্দিয়াগী বেটচৱুমেনশিং স্কোর নিংথিনা তৌবা ঙমখিদে । অদুবু কেপ্টেন হর্মনপ্রিটকোরনা ইন্নিংসকী অরোইবা ওভর ফাওবা লৈদুনা কেপ্টেন অমগী মথৌদাং লৌদুনা বোল ৪১ দা রন সিক্স ১ গা লোয়ননা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৪৯ দা আউত ওইদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট অমদা মায়পাকপা ঙমদুনা ইন্দিয়া ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী চেম্পিয়ন ওইরগা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ শান্নরগনি।




*সাউথ অফ্রিকা থোইদুনা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং মোনা (ওই) অমসুং দিপটি শর্ম্মা*

# এন্দি মুরেনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী পোজিসনদা লৈরি


*লন্দন, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ*

মালেমগী নুপাগী টেন্নিস সিঙ্গলসকী শান্নরোইশিংগী খ্বাইদগী নৌনা থোক্লকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা স্কোটলেন্দগী শান্নরোই এন্দি মুরেনা নম্বর ৱান পোজিসনদা অদুমক লৈবা ঙমখ্রে।

এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনেলস (এ টি পি) গী মাইকৈদগী ঙরাং থোকখিবা মালেমগী নুপা টেন্নিস শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌনবা রেঙ্কিং লিষ্টতা স্কোটলেন্দগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই এন্দি মুরেনা পোইন্ট ১১,৫৪০ ফঙদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লিবনি।

মশাগী চহি ২৯ শুরবা এন্দি মুরেনা নম্বর ৱান ওইরকপা অসি হৌখিবা চহিগী নভেম্বর ৭ তগী ঙমখিবনি।

নৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মতম শাংনা নম্বর ৱানগী ফমথোন পায়দুনা লাকখিবা সার্বিয়াগী নোবাক জোকেবিসকী মতুংদা এন্দি মুরেনা নম্বর ৱান পোজিসন অসি ওইরকপা ঙমখিবনি।



*নুপাগী টেন্নিসকী নম্বর ৱান ওইরিবা স্কোটলেন্দগী এন্দি মুরে*

নোবাক জোকিবিসনা নম্বর টু ওইরবা মতুং স্বিজর্লেন্দগী স্টান ৱারিংকা, কানাদাগী মিলোস রাউনিক, জপানগী কৈ নিসিকোরি, স্পেনগী রাফেল নদল, ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক, ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম, স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদদর অমসুং বেলজিমগী গোফিন্না মথাংশিংনা অহুমশুবদগীনা তরাশুবা পোজিসন ফাওবদা লৈবা ঙম্রি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*